ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ রেদিএশন ওনকোলোজি অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ পেথোলোজিনা পূন্না শিন্দুনা রিমস হোস্পিটালগী ও পি দি কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড কেন্সর দে ২০২৬তা কেন্সর পেসেন্টশিংদা তেংবাঙ পোৎলম খূৎশিন্নবা


লৌশিং পূক্কে : ফেট চাং য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাকশিং কা... ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ টিবেটনা ইন্দিয়াদা তিল্লমদবা খ্বাইদগী লাইবক ফবনি

মণিপুরমক ওইরমদ্রবা, কুকি লান থোক্লম্লোই! ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ওইবনা অৱাৎ-অপা লৈরবসু...

ভাস্কো দে গামানা পোর্টুগলদগী ইন্দিয়াদা লাকপদা... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ ঈ পি ৱাই সী অমসুং য়াইসা এফ সী অমদি...


বিষ্ণুপুরগী ওল্ড দি সী ওফিসতা হাংবা রিলিফ কেম্পকী আই দি পিশিংগীদমক নুমিৎ তরানি চূপ্পা চথরকপা ওন্ত্রপ্রেন্যুওরশিপ দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামদা শরুক য়াখিবশিংদা শকখঙচে খূৎশিন্নবা




Vol. 49, Issue No. 298 | শগোলশেন, ফাইরেনগী ১৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, February 05, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


মীচমশিংনা রেদ ১দি বফর জোন লানশিন্দুনা চৎপদা থিংলবসু চূড়াচান্দপুর ১সুং টিপাইমুখকী এম এল এ ২দি ৱাশকপগী থৌরমদা শরুক য়াররে

# য়ুম্নাম খেমচান্দ চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে, ঙসি নুংথিল পুং ৪দা এসেমব্লি মীফম পাঙথোক্কনি

## দেপ্যুটি সী এম ২গী মনুংদা নেমচা কিপগেনদি ভর্চুএল মোদতা ৱাশকখি, গোবিন্দাস অমুক হন্না মিনিষ্টর ওইরে, লোকেনসু মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে













ঙরাং গভর্ণরনা লোক ভবনদা ৱাশক লৌহনখিবশিং - (১) ৱাই খেমচান্দ (চীফ মিনিষ্টর) (২) নেমচা কিপগেন (দেপ্যুটি সী এম) (৩) লোসি দিখো (দেপ্যুটি সী এম) (৪) গোবিন্দাস কোন্থৌজম (মিনিষ্টর) অমসুং (৫) খ্বাইরাকপম লোকেন (মিনিষ্টর)

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৪ (ঐচএনএস) :**
কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকপা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা শীংজমৈ এ সীদগী কারক্তুনা স্পিকর ওইখিবা অদুগা কুমজা ২০২২গী মার্চতা লীংখিবা বি জে পিগী অনীশুবা লৈঙাক্তনা মিনিষ্টর ওইখিবা য়ুম্নাম খেমচান্দ ঙসি নুমিদাংৱাইরম গভর্ণর এ কে ভল্লানা লোক ভবনগী দরবার হোলদা পাঙথোকপা চীং লেন্নবা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌহনখ্রে।

মহাক্কা লোয়ননা কাংপোকপী এ সীগী বি জে পিগী এম এল এ নেমচা কিপগেন অমসুং মাও এ সীগী নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ) কী এম এল এ লোসি দিখোবুনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরশিং ওইনা ৱাশক লৌখি অদুগা মমাঙগী লৈঙাক্তসু মিনিষ্টর ওইরমখিবা বিষ্ণুপুর এ সীগী বি জে পিগী এম এল এ কোন্থৌজম গোবিন্দাস অমসুং ৱাঙ্গোই এ সীগী নেশনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গী এম এল এ খুরাইজম লোকেনবুনা কেবিনেট মিনিষ্টরশিং ওইনা ৱাশক লৌখি।

বিরেননা চীফ মিনিষ্টর ওইদুনা লুচিংখিবা লৈঙাক্তা মিনিষ্টর ওইরমখিবা বি জে পিগী এম এল এ, ৱাই খেমচান্দবু ঙরাং দেল্লীদা পাঙথোকপা নেশনল লিদরশিংনা শরুক য়াবা মীফমদা বি জে পি মণিপুরগী লেজিসলেটিভ পার্টিগী লিদর ওইনা খল্লকখিবনি। ঙসি ৱাশক লৌবগী থৌরমদা নেমচা কিপগেনদি ন্যু দেল্লীগী মণিপুর ভবনদগী ভর্চুএল মোদতা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশকখি।

অমরোমদা, মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা লাননা মরম ওইরদুনা মীতৈ অমসুং কুকি জো অনীগী মরক্তা থোকখিবা হাৎন-শুনবা য়াওনা থৌদোক কয়াদগী ফূরুপ অনীগী মরক্তা চঙথোক-চঙশিন য়াদনা লৈরকখিবদু ঙসি লোক ভবনদা পাঙথোকপা ৱাশক লৌবগী থৌরমদা কুকি জো ফূরুপগী এম এলএশিং ওইরিবা চূড়াচান্দপুর এ সীগী এল এম খৌতে অমদি টিপাইমুখ এ সীগী ঙুরসাংলুর সনাতে শরুক য়াখি।

মখোয় অনীনা অনৌবা লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরশিং অমসুং মিনিষ্টর অনী ৱাশক লৌবদা শরুক য়াবা খক্তা নত্তনা দেল্লীদগী ইম্ফাল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা লোক ভবনদা চঙদুনা গভর্ণরদা লৈঙাক শেমহনবীরো হায়দুনা ক্লেম তৌবদসু মখোয় অনী শরুক য়াখি।

লেজিসলেটিভ পার্টিগী লিদর খল্লবা খেমচান্দগী মায়কৈদগী অনৌবা লৈঙাক শেম্লগে হায়দুনা ক্লেম তৌবদা সেন্ট্রেল ওবজার্ভর টরুন চুঘ, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা, পার্টি অসিগী নোর্থ ইষ্ট কোওর্দিনেটর সম্বিত পাত্র, হান্নগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, এম এল এশিংদা গোবিন্দাস কোন্থৌজম, লোসি দিখো, এম রামেশ্বর য়াওখি। মখোয় ঙসি নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ রোম তারকপদা দেল্লীদগী চার্টরদ ফ্লাইট অমদা ইম্ফালদা থুংলখিবনি।

মখোয়না এয়রপোর্টতা থুংলবদা মশীং য়াম্লবা সপোর্টরশিং অমদি পার্টিগী মীওইশিংনা ৱাই খেমচান্দবু লৈ পরেংশিং হুক্তুনা অমসুং লেংয়ান য়ান্দুনা হরাও তয়াম্না ওকখি। মহাক্না এয়রপোর্টতগী হেক থোরকপগা লোক ভবন তম্না চৎখি।

অমরোমদা, ঙসি নুমিদাংৱাইরম মহাক্না চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশকলৌরবা মতুংদা ইহান হান্না পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা হায়, লৈঙাক হায়বসি অপূনবগী থৌদাংনি। লৈঙাক পায়রিবশিংনা অমত্তা ওইবা ৱাখল্লোন্দা পূন্না চৎমিন্নদুনা অফবা থবক তৌগদবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমদি পার্টি প্রসিদেন্ট নিটিন নবিন য়াওনা সেন্ট্রেল লিদরশিংনা মঙোন্দা থল্লিবা থাজবা অসি মাঙলোমদা পুখৎতুনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌগনি হায়খি।

অমরোমদা, লোক ভবনদগী থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি ৱাই খেমচান্দনা চীফ মিনিষ্টর ওইদুনা লুচিংলগা লিংলবা লৈঙাক অসিদা এম এল এ ৬ লৈবা এন পি পি, ৫ লৈবা এন পি এফ, ১ লৈবা জে দি-য়ু অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ অনীনা কন্দিশন য়াওদনা শৌগৎলকখ্রে হায়না ফোঙদোরকখি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম লোইরবা মতুংদা ৱাই খেমচান্দনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা ইহান হানবা কেবিনেট মীফম সী এম সেক্রেটরিএটতা পাঙথোকখি।

মীফম অসিনা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা য়াওবদগী গভর্ণরদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফম সম্মন তৌবীনবা হায়জখি। গভর্ণরদা কেবিনেট মীফম্না লৌবা ৱারেপকী মতুংইন্না হায়জরকপদগী গভর্ণরনা ঙসিমক কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ১৭৪গী ক্লোজ ৱাননা পীবা পৱারগী মতুংইন্না ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফম হয়েং নুংথিল পুং ৪ তারকপদা চীংমৈরোংদা লৈরিবা এসেমব্লি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়বগী ওর্দর থোকপগা লোয়ননা মীফম অসিগীদমক মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি সেক্রেটরিএটকী মায়কৈদগীসু নোটিফিকেশন অমা থোরকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা ময়ায় তাংবাল লৌদুনা মহাক্কী অহানবা কেবিনেট মীফম পাঙথোক্লবা মতুংদা থম্বাল শঙলেন্দা মহাক য়াওনা মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রবশিংবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পার্টিগী প্রসিদেন্ট এ শর্দা অমসুং থৌমীশিংনা শীন্দুনা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এ শর্দানা হায়, ঙসি ৱাশক লৌরিবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগীদক অমদি মণিপুরগীদক কত্থোকপনা মাঙ থারগা থবক তৌগনি হায়না পার্টিগী প্রসিদেন্ট অমা ওইনা থাজবা থম্মী। লোয়ননা চাওখৎপা ইন্দিয়া অমা পুরকপদা মণিপুর য়াওদবা য়ারোই হায়রদুনা হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা হোৎনরগনি হায়খি।

থৌরম অসিদা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা হায়, থোকখিবা ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা চহী অমরোম প্রসিদেন্টস রুল থল্লকখিবা অদুগী মহুত্তা মীয়াম্না চলাইবা লৌঙাক অমা ঙসিদগী লৈরে। ফূরুপ ৩৬না খুন্দাবা লম অমনি। ফূরুপশিং অসিনা লৈবাক অসি শেন্নকপনি অমসুং ঙাক্লকপনি হায়বা কাউথোক্লবদি লৈবাক অসি ঈংনা তপ্পা লৈবা ঙম্লোই। হৌজিক ৱারিবা অসি আই দি পিশিং অসিনি। হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা লিটানদা চৎলুবদা আই দি পিশিংনা অঙাংদগী অহল ফাওবা মশাগী ময়ূমদা হন্নীংই হায়রকখি। তমদা লৈবশিংসু ময়ূমদা লোইনা হঞ্জিন্নীংলে হায়রি। তেল্লবা মতম অসিদা করম্না মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্কনি হায়না হোৎননবা কেবিনেট মিনিষ্টরশিং অমদি মীয়ামগা লোয়ননা তান্নজরগে হায়খি।

পনবা য়াবদি, ঙসি অনৌবা লৈঙাক ৱাশক লৌবগী থৌরমদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লিদর ওক্রম ইবোবী, চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা রাধাবিনোদ কোইজম, হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিরেন, বি জে পি অমসুং পার্টি অসিনা লুচিংবা লৈঙাক্তা শৌগৎপা পার্টিশিংগী এম এল এশিং, লুচিংবশিং অমসুং ৱার্করশিংনা শরুক য়াখি।

### য়ুম্নাম খেমচান্দনা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ‘প্রসিদেন্টস রুল’ লৌথোকখি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৪ (ঐচএনএস) :** ঙরাং দেল্লীদা পাঙথোকপা মীফমদা বি জে পি মণিপুরগী লেজিসলেটিভ পার্টিগী লিদর খনখিবা য়ুম্নাম খেমচান্দবু ঙসি নুমিদাংৱাইরম মণিপুরগী লোক ভবনদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অনী অমসুং কেবিনেট মিনিষ্টর অনী য়াওনা মহাক্না চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ৩৫৬ (২) না পীবা পৱারগী মতুংইন্না ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী মণিপুরদা চৎনহল্লকখিবা প্রসিদেন্টস রুল ঙসিদগী হৌরদুনা রিভোক তৌরে হায়বগী প্রোক্লেমেশন অমা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা নোটিফিকেশন ওইনা থোরকখি।

## মণিপুরদসু হ্যুমেন-ৱাইল্ডলাইফ কনফ্লিক্টকী থৌদোকশিং থেংনরে : অনুরাগ বাজপায়



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৪ (ঐচএনএস) :**
ইম্ফালগী সঞ্জেনথোংদা লৈবা ফোরেষ্ট হেদ ক্বার্টরদা ঙরাং ষ্টেট লেভেল হ্যুমেন-ৱাইল্ডলাইফ কনফ্লিক্ট (ঐচ দব্লিয়ু সী) ৱার্কশোপ অমা পাঙথোক্তুনা মণিপুরদা মায়োক্নরিবা হ্যুমেন-ৱাইল্ডলাইফ কনফ্লিক্টকী খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা অমসুং মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবগী মতাংদা খন্নখ্রে।

লৈঙাক্কী প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট অমসুং ঐচ ও এফ এফ ওইবদা নত্তনা এদিশনেল চীফ সেক্রেটরিসু ওইরিবা অনুরাগ বাজপায়না ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## হৈরোক পুলিস ষ্টেশনগী ওফিশল খরগী মায়োক্তা ৱাকৎলকপদগী মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশননা কমপ্লেন্ট কেস অমা লৌখৎখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৪ (ঐচএনএস) :** থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা হৈরোক পার্ট ৱানদগী মশাগী চহী ১৯ খক্তা ঙাইহিরবী নিংথৌজম অলেন্তা কৌবী নুপীমচা অমনা মহাক্কী মমা অমসুং চহী নৌরিবা মৌপ্পাবু ফূবী চৈবীবগী মতাংদা পুলিসকী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীদ্রে হায়না মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশনদা কমপ্লেন্ট পিটিশন অমা ফাইল তৌরক্লে হায়রি।

### ফাইল তৌরকপা কমপ্লেন্ট পিটিশনগা লোয়ননা কম্মিশনগী ওর্দর দি জি পিদা পীরগা থৌবালগী এস পিনা ষ্টেটস রিপোর্ট পীরক্নবা খঙহনখ্রে

মহাক্না ফাইল তৌরকপা পিটিশনদা ফোঙদোকপনি হায়রদুনা পিটিশন অসিগা মরী লৈননা কম্মিশননা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট, ১৯৯৩গী সেক্সন ১২গী মখাদা কমপ্লেন্ট কেস নম্বর ৯/১৪/১২/২০২৬ লৌখৎখ্রে। কেস অসি দি জি পি অমসুং থৌবালগী এস পিবু রেস্পোন্দেন্ট ওইহল্লগা মখোয় অনীগী মথক্তা লৌখৎপনি। কম্মিশননা লৌখৎলবা কেস অসি ঙসি এক্টিং চ্যেরপর্সন কে খগেন্দ্রনা লৌখৎতুনা চত্থখিবা ৱায়েলগী মতুংইন্না ওর্দর অমসু পীখ্রে। পূন্না লমায় অনী পানবা কম্মিশননা ঙসি পীখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না কমপ্লেনেন্টগী পিটিশন অসিদা ফোঙদোরকই হায়রিবা ৱাফমশিংনা দিসেম্বর ১৩, ২০২৫দা কমপ্লেনেন্টগী অপোকপী মমাবু এন সুবদনিনা ফূবী-চৈবীখি অমসুং ৱাখল মাঙখি। কমপ্লেনেন্টনা ইমর্জেন্সি হেল্পলাইন -১১২দা কোল তৌখি অদুবু রিসিভ তৌরগা রেস্পোন্স করিমত্তা পীরকখিদে হায়রি।

মসিগী মতুংদা কমপ্লেনেন্টনা হৈরোক পুলিস ষ্টেশনদা চৎপদসু পুলিসকী মায়কৈদগী কমপ্লেন্ট অমা রেজিষ্টর তৌবীয়ু হায়বা য়ারকখিদে। তুংদা সব-ইন্সপেক্টর অমা অতোপ্পা পুলিস ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## শাগী মমিং থোল্লগা লোগী ৱাংমদা নৌনা লম্বী শেম্বা য়ারোই : চ্যেরমেন



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৪ (ঐচএনএস) :**
মমাঙ থাগী ১১ অমদি ১২গী লোন্নবা অহিংদা লৈঙাক্না ‘সূ’ তৌনরিবা কুকি খূৎলায় পায়বা লূপ কে এন এফ -পিগী লান্মীশিংনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ইরেং নাগা খুলগী পোৎলম কয়া অমাঙ অতা থোকহন্দুনা ‘কুকিলেন্দ ষ্টে অৱে’ হায়না থাজিল্লম্বা অমদি খুল অসিগী চ্যেরমেনদা কে এন এফ-পিগী কম্মান্দর টাইগরনা টেলিফোন তৌরক্তুনা অকি অখং পীরকপগী মায়োক্তা ফুট হিলস নাগা কোওর্দিনেটিং কম্মিটি অমদি জোইন্ট ত্রাইব কাউন্সিলনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### একর ১৮০দা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং য়াম্থৎখ্রে, লৌশঙ ২০ মৈ থাদোকখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৪ (ঐচএনএস):**
পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী লিটান পুলিস ষ্টেশননা কোল্লিবা মপিথেল রেঞ্জ হায়রগসু খঙনবা লৈঙাং চীং হিল রেঞ্জগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

### ৱারক-ৱাতেন্নগা ইমুংদা শিন্নখ্রে : কে সী পি-পি দব্লিয়ু জি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৪ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (পি দব্লিয়ু জি) এম সী য়ুনিফিকেশনগী পি আর ও চীঙ্খোঙানবগী চেরোল অমদা মমাঙথক্তগী হৌনা লমদম অসি নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা খঞ্জবা লমদমনি। ঙসি.মখা লমায় ৩ কলম ৫

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## থৱায় হিংনবা লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌবা হৌগৎলকপদা ঐবু পোকপা ইপাসু গাড়ী এক্সিদেন্ট অমদা লৈখিদ্রে : সোফিয়া

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
ফৌগাকচাও ইখাই মখা লৈকায়দগী খুঞ্জা

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৪ (ঐচএনএস) :**
ঙরাং ন্যু দেল্লীদা লৈবা বি জে পিগী নেশনল হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকখিবা পার্টি অসিগী নেশনল লিদরশিং অমসুং মণিপুরগী এন দি এগী মপাংনি হায়রিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী এম এল এশিং অমসুং লুচিংবশিংগী মীফমদা বি জে পিগী শীংজমৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী কারকপা হান্নসু স্পিকর ওইরম্লবা এক্স মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দবু বি জে পি মণিপুরগী লেজিসলেটিভ পার্টিগী লিদর খনবদগী ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ লোম তাবদা লোক ভবনদা গভর্ণরনা অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা



ৱাশক লৌহনখ্রে।

থৌরম অসি পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী মণিপুরদা থল্লকখিবা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক ঙসিদগী হৌরদুনা লৌথোক্লে হায়বগী প্রোক্লেমেশন অমা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা তৌরক্তুনা অনৌবা লৈঙাক ৱাশক লৌখ্রবসু লাঞ্জেন্নরক্লিবা আই দি পি লিশীং ৪০ হেনবদি রিলিফ কেম্পশিংদা মখা তানা চঙজফম লৌহল্লিবনা পাউচে অসিনা মখোয়গা হকথেংননা উন্নদুনা মখোয়গী অনীংবা অপাম্বশিং খঙদোক্লগা মীয়ামদা ‘হকথেংনবা পাউদম’ গী মখাদা রিপোর্ট তৌরকপগী মখা তারকপদা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌহল্লক্লবসু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ভোকেস্নল ষ্টদিজদা অহুমশুবা সেমিষ্টর তন্নিবী ফৌগাকচাও ইখাই মখা লৈকায়দগী লাঞ্জেল্লক্তুনা ক্বাক্তাদা হাংবা সম্থোং অৱাং লৈকায় রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী মুতুম সোফিয়া (২১) গা উন্নখি। (মথং-মথং)

### মণিপুর য়াওনা ষ্টেট ৬কী কেন্দিদেটশিংগীদি সিভিল সর্ভিসেস এগজামিনেশনগী ‘পেপর-এ’ (ইন্দিয়ন লেংগ্বেজ)বু কম্পলসরি ওইদে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৪ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অসিদা পাঙথোরক্লিবা সিভিল সর্ভিসেস এগজামিনেশন (সী এস ঈ) অসি অককৃবা সিভিল সর্ভিসেস এগজামিনেশন অমগীদমক দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী নোটিফাই তৌবা সী এস ঈ রুলসকী মতুংইন্না চহী খুদিংগী য়ুনিয়ন পব্লিক সর্ভিস কম্মিশন (য়ু পি এস সী) না শীন্দুনা পাঙথোকই। মরম অসিনা সিভিল সর্ভিসেস এগজামিনেশন রুলস-২০২৫গী মতুংইন্না অরুনাচল প্রদেশ, মণিপুর, মেঘালয়, মিজোরাম, নাগালেন্দ অমসুং সিক্কিমদগী লাকপা কেন্দিদেটশিংগীদি এগজামিনেশন অসিগী ‘পেপর-এ’ (ইন্দিয়ন লেংগ্বেজ) অসি কম্পলসরি ওইদে হায়না ঙসি লোক সভাদা হংলকপা ৱাহং অমগী অইবা পাউখুম পীরদুনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি অমসুং আর্থ সাইন্সেসকী ষ্টেট মিনিষ্টর (ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ) অমসুং পি এম ওগী য়াওনা পর্সনেল, পব্লিক গ্রিভান্সেস এন্দ পেন্সন্স, এটোমিক ইনর্জি এন্দ স্পেসকী ষ্টেট মিনিষ্টর ডা. জিটেন্দ্র সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

পি আই বিনা থোরকপা চেরোল অসিগী মতুংইন্না লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৈবাক শিনবা থুংনা লৈরিবা এগজামিনেশন অসিগী এস্পিরেন্টশিংগীদমক চুনবা অমসুং চান্নবা থবকশিং পায়খৎলি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

### সুপ্রিম কোর্টকী পুৱারীদা অহানবা ওইনা কোর্ট রুমদা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা অর্গুমেন্ট তৌগনি হায়বা ৱাফম ভাইরেল ওইরক্লে

**ন্যু দেল্লী, ফেব্রুৱারী ০৪ (এজেন্সী):** লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ অমা ওইরিবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী কোর্ট রুমদা অহানবা ওইনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা কোর্ট রুমদা চঙদুনা পিটিশন অমগী ৱায়েল চত্থবদা অর্গুমেন্ট তৌবা য়াওরগনি হায়বা ৱাফম সোশল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখ্রে।

সোশল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখিবা পোষ্ট অমগী মতুংইন্না মহাক্না হন্দক্তা মহাক্কী ষ্টেট ৱেষ্ট বেঙ্গলদা চত্থবা স্পেশল ইন্টেন্সিভ রিভিজন (এস আই আর)গী মায়োক্তা থবক অসিগা ইলেক্সন কম্মিশন ওফ ইন্দিয়াগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকপা পিটিশন অমদা মহাক মশামক্না কোর্ট রুমদা চঙদুনা কেস অসিগী ৱায়েলদা অর্গুমেন্ট তৌবদা শরুক য়াগদৌরিবনি হায়রি।


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫